# মালেমদা চৎনগদবা মীওইবগী হকশিংগী লাউথোক্লবা য়ান-ৱারোল

**(Universal Declaration of Human Rights)**
**1948**

**UNITED NATIONS ASSOCIATION , MANIPUR**
**Imphal (UNAM)**

# মালেমদা চৎনগদবা মীওইবগী হকশিংগী
# লাউথোক্লবা য়ান-ৱারোল
*(য়ুনির্ভর্সেল দিক্লরেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস)*

ৱাহৌদোক (প্রিএম্বল) ঃ-

মালেমদা অচুম্ববু য়োকখৎতুনা, শান্তি লৈনা নিংতম্না হিংনবগিদমক মীওইবা কাঙলুপনা ইমুং অমত্তা ওইনা খুন্দারিবা মালেমদা ঐখোয় মশেল অমনা অমগী ইকায় খুম্নবা ঙাক্তুনা ঐখোয় মশেলগী চপ মান্নবা থাদোক্লবা য়াদ্রবা মীওইবগী হকশিং অদু খঙনবা অমদি ঙাক্লবগীদমক,

মীওইবগী হকপু খোংগাউনবা তমথিরবা কয়ানা মীওইবগী নুংগী ফজবা লিচৎ কয়াবুসু তমথিনা নৈখায়রি । মরম অসিনা অনৌবা মালেম অমা -অকিবা লৈতবা, ফোংদোকপগী অথিংবা লৈতবা, ৱাখলগী নিংতম্বদা অয়েৎপা পীদবা, অৱাৎপা লৈত্রবা অনৌবা মালেম অমা শেম্না হায়বসিনা মীয়ামগী খ্বায়দগী ৱাংলবা, পামজবা ৱাখল ওইবনা,

মীনা মীবু ওৎপী-নৈবীবগী মায়োক্তা অমত্তা ঙায়রবা পাশ্বে ওইনা লান তৌনবসি লেপহনসি হায়রবদি মীওইবগী তঙাইফদ্রবা হকশিং অসি ইথোক্লবা আইন অমগী চৎন-পথাপ ওইনা লেঙদনা থম্না হায়বসি তঙাইফদবনা,

লৈপাক অমগা লৈপাক অমগা নুংশি-চান্না হিংমিন্নবা হায়বসি তঙাইফদবনা,

মীওইবগী হকশিং, অমনা অমবু ইকায়-খুমননা হিংবা, মী অমা ওইনা পোকলরবদুগী হিংবগী মমল, নুপা-নুপীগী মান্নবা হকশিং পুম্নমক অসিবু য়োকখত্তুনা হেন্না চাউখৎপা, নিংতম্বা মায়কৈ অমদা চংশিনলক্লবগীদমক য়ুনাইটেদ নেসন্সতা তিল্লরবা লৈপাক খুদিংগী মীওই কাংলুপ খুদিংমক্তা য়ান্নচে অসিদা অমুক্তা হন্না থাজবা থমদুনা,

মীওইবগী তঙাইফদবা হকশিংবু ইকায় খুম্নগনি অমদি নিংতম্বা হায়বসিগী চঙদবা য়াদ্রবা মচাকশিংবু য়োকখত্তুনা অমদি ঙাক্তুনা চৎকনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মেম্বর ওইরবা লৈপাক খুদিংমক্তা য়ানরবনা,

মীওইবগী তঙাইফদবা হকপু অমদি নিংথাতম্ববু মীপুম তিংনা খঙমিন্নবা অমদি ঙাক্তুনা চৎমিন্নবা হায়বাস য়াম্না-ব্রাফম অসিগী লেঙদ্রবা পান্দম ওইবনা,

হৌজিক, হায়রিবশিং অসিনা মরম ওইদুনা জেনেরল এসেমব্লিনা 'দিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস' অসিবু লৈপাক খুদিংমক্কি অমদি মীয়াম খুদিংমক্কী ফংনবা হোৎনগদবা পান্দম অমা ওইনা মাঙদা থম্লি । মীওই খুদিংনা অমদি খুন্নাই অদুগী থৌ কয়া পুরিবা খুদিংমক্কা য়ান-ব্রারোল অসি মতম পুম্নমক্তা কাউফদে । মহৈ-মশিং তম্বনচিংবা অফবা খোঙথাং কয়াগী মতেংনা মীওইবগী তঙাইফদবা হকশিং অসিবু জাতিগী অমদি মালেমগী থাক্তা তোয়না নিংশিংদুনা চৎনহন্নবা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা য়াউরিবা লৈপাক খুদিংমক্কা মখোয়গী মীয়াম্না অমদি মখোয়গী লৈঙাক মখাদা লৈবা লম খুদিংমক্কা হোৎনবা তঙাইফদে ।

আটিকল ১ ঃ মীওইবা খুদিংমক পোকপা মতমদা নিংতম্মী, অমদি ইজ্জৎ অমসুং হক মান্নুনা লৈজে । মখোয় পুম্নমক ব্রাখল লৌশিং শেঙই, অফ ফত্তা খঙই, অদুনা অমনা অমগা লোয়নবদা মচীন মনাওগুম্না লোয়নগদবনি ।

আটিকল ২ ঃ লাউথোক্লবা য়ান-ব্রারোল অসিদা য়াউরিবা মীওইবগী হক অমদি নিংতম্বশিং অসি মীওই খুদিংমক্তা চিংথবা লৈতনা চৎনগনি । চৎনবদা খেন্নবা লৈরোই, কাংলুপ, কুচু, নুপা-নুপি, লোন, ধর্ম্মা, রাজনিতি অমদি অতৈ ব্রাফম, জাতি অমদি মীওই কাংলুপতুগী হৌরকফম, লন-থুম, অরাংবা নত্রগা অনেম্মা থাক্তা পোকই/পোক্কে হায়বনচিংবগী থক খা নাইবা মীয়েংনা য়ান-ব্রারোল অসি চৎনবদা অপনবা ওইরোই । অসিতা নত্তনা রাজনিতিনা, আইনগী চৎন-পথাপনা অমদি মী অদুনা লৈরিবা লৈপাক অদু নিংতম্বা লৈপাক্কি নত্তে, মীয়াম্না শেমবা সরকার লৈ/লৈতে হায়বনচিংবগী ব্রাফম অমত্তনা য়ান-ব্রারোল অসি চৎনবদা অপনবা পীরোই ।

আটিকল ৩ ঃ হিংবা, নিংতম্বা অমসুং মহাকপু ঙাকপী-শেনবীবা হায়বসি মীওই অমগী তঙাইফদ্রবা হকনি ।

আটিকল ৪ ঃ মীওইবা অমত্তা মীনাই ওইহনবা, মীনাই নাইথাংগী-পুম্পিদা হিংহনবা য়াদে; মীনাই- ফুঙ্গা লিংবা অমদি মীনাই ললোনবা হায়বসিগী মখল খুদিংমক থিংগদবনি ।

আটিকল ৫ ঃ কনাগুম্বা মীওই অমত্তবু তমথিনা ওৎপী-নৈবিবা, মী নত্তবগুম্না য়েংবা অমদি শাথিনা চৈরাক পীবা য়াদে ।

আটিকল ৬ ঃ মীওই খুদিংমক আইনগী চৎন-পথাপকী মমাংদা মীওই অমা ওইনা শকখঙবিগদবনি হায়বসি মহাক্কী হকনি ।

আটিকল ৭ ঃ আইনগী মীৎয়েংদা মীপুম খুদিংমক চপ মান্নে অমসুং অমগা-অমগা খেন্নবা লৈতনা আইনগী চৎন-পথাপ্না ঙাকপি শেনবিগনি । লাউথোক্লিবা য়ান-ব্রারোল অসিবু থুগায়দুনা মীনা মীবু ওৎ-নৈরবা অমদি ওৎ-নৈনবা ইনশিনলকপা খুদিংমক্কি মাইয়োক্তা মীওই খুদিংমকপু খেন্নবা থমদনা চপ মান্না ঙাকপি-শেপবিগনি ।

আটিকল ৮ ঃ সংবিধান্না অমদি আইনগী চৎন-পথাপ কয়ানা মঙোন্দা পীরিবা তঙাইফদ্রবা হক অদুবু কনাগুম্বনা থুগায়বিরবদি মী অদুনা জাতিগী থাক্তা লিংখৎপা ব্রায়েল লোয়শঙশিংগী মতেং লৌদুনা মহাক্কী হক অদুবু কনজনবা উপাই থিবা য়াই ।

আটিকল ৯ ঃ মরম চাবা য়ুম্ফম য়াউদনা মীবু পংফা ফাবা, ফাজিন্দুনা থম্বা নত্রগা লোই থাবা য়াদে ।

আটিকল ১০ ঃ মীহাৎ-মীপুনগা মরী লৈননা কনাগুম্বা অমবু চিংনরে হায়না ফারবদি মহাক্কি মথক্তা চথরিবা ব্রায়েল অদু মনিং তম্বা অমদি মিচঙ-মীখায় নায়দবা ব্রায়েল লোইশং অমদা মীয়াম খঙনা চথহনবগী হক মী অদুদা লৈ ।

আটিকল ১১ ঃ আইনগী চৈরাক ফংবা য়াই হায়না ফারবা মীওই খুদিংমক মীয়াম খঙনা চথবা ব্রায়েল অমদা মশা ঙাকথোকচনবা উপায় থিবা য়াই লোয়ননা ব্রায়েল অদুনা মহাকপু মরাল লৈরে হায়দ্রিফাউবা মহাক মরাল লৈতবা মীনি হায়না লৌগনি । থৌদোক অদু মী অদুনা পাঙথোকপা মতমদা মদুবু লমদুগী নত্রগা মালেমগী আইনগী চৎন-পথাপনা আইনগী চৈরাক পীবা য়াবা থৌদৌনী হায়দ্রবদি মী অদুবু ফাবা য়াদে । থৌদোক অদু পাঙথোকপা মতমদা চৎনরিবা আইন্না পীবা য়াবা চৈরাক্তু নত্তনা অহেনব চৈরাক পীবা য়াদে ।

আটিকল ১২ ঃ মীওই অমগী মরন্নাই ওইবা, ইমুং মনুংগী, মরমগী ওইবা চিঠিনচিংবা চে-চাংগী ওইবা, অমদি মশাগী ঈজৎ অমদি মিংচৎকী ব্রাফমদা অককনবা য়ুম্ফম লৈতনা খুৎ থিংজিল্লোইদবনি । খুৎ থিংজিনবিরবা মীওই অদুনা আইনগী মতেং লৌদুনা মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনবা হায়বসি মী অদুগী তঙাইফদ্রবা হকনি ।

আটিকল ১৩ ঃ (১) মীওই খুদিংমক মহাক্কী লৈপাক অদুগী ঙমখৈ মনুংদা চথোক-চংশিন তৌবগী হক লৈ । (২) মহাক্না মীরৈপাক অমদি মহাক মশানা লৈরিবা লম য়াওনা থাদোক্তুনা চংপা অমদি মহাক্কি লমদা হল্লকপা য়াই

হায়বসি মহাক্কি হকনি ।

াটিকল ১৪ ঃ (১) মীওৎ-মীনৈদগী মশাবু কঞ্জনবা মী অমনা অতোপ্পা লম অমদা চংজফম লৌদুনা লৈবা য়াই । (২) অদুবু য়ুনাইটেদ নেসন্সকী চৎন-লোনচৎকী ব্রাংমদা লৈবা ব্রাফমশিং অমদি রাজনিটিগী ব্রাংমদগী থোরকপা তশেং-তশেংবা মীহাৎ-মীপুন্নচিংবা থৌদোক ব্রাথোক্কি মতাংদদি মহাক্কি ব্রাফম অসি চৎনরোই ।

াটিকল ১৫ ঃ (১) মীওই খুদিংমক মখোয় মখোয়গী লৈপাক অদুগী মরৈপাক মচা (নেস্নেলিটি) অমা ওইবগী হক লৈ । (২) মতিক চাবা য়ুম্ফম য়াউদনা মীওই অমত্তবু মরৈপাক মচা ওইবগী অমদি অতোপ্প লমগী মরৈপাক মচা ওইনা হোংদোকপা য়াবগী হক অদু মৎপা অমদি ফংহনবা তৌরোইদবনি ।

াটিকল ১৬ ঃ (১) চহি মপুং ফারবা নুপা-নুপীবু মখোয়না য়ুম্বাল-কৈবান্দুনা য়ুমলিংবদা মখোয়গী মজাতি, মরৈপাক মচা ওইবগী ফীভম (নেস্নেলিটি) অমদি মখোয়গী লাইনিং-লিচৎনা মরম ওইদুনা অপনবা পীরোইদবনি । খায়নবদা লুহোংবগী মতাংদা, লুহোংব্রদা অমদি খায়নবদা মখোয় নুপা নুপী অদুগী অপনবা অথিংবা লৈত্রবা য়াম্নবা অমগী মতুং ইন্না লুহোংবগী থবক পায়খৎকদবনি । (৩) মখোয় অনিনা শাগৎলিবা ইমুং অসি খুন্নাই অদুগী মহৌশাগী ওইবা শরুক অমা ওইনা খুন্নাই অদুনা অমদি লৈপাক অদুগী লৈঙাক্লান্না-ঙাকপি-শেনবিগনি ।

াটিকল ১৭ঃ (১) মীওই খুদিংমক মশা মশাগী অমদি অতোপ্পা মীওইগা পুন্দুনা মরান্নাই অমদি অপুনবা লন-থুম লেপশিনবা য়াই । (২) থোইদোকপা অচেৎপা য়ুম্ফম য়াউদনা মীওই অমত্তগী মরল-মথুম মৎপা নত্রগা মুনবা য়ারোই ।

আটিকল ১৮ ঃ মীওই খুদিংমক মশা মশাগী অপাম্বা ব্রাখল, অচুম-চুমদা লেপ্পা ঙম্বগী পাম্বে অমদি চৎচরিবা লাইনিং লিচৎতা মশাগী হক লৈ । মীওই অদু কাংলুপ অমগী মনুংদা য়াউরবসু মরান্নাই ওইনা অমদি মীয়াম মমাংদা মহাক্কি লাইনিং লিচৎ হোংবা য়াই । লোয়ননা লাইনিং লিচৎ অদুবু শন্দোকপা, থবক ওইনা ওন্থোকপা, লাই খুরুম্বা অমসুং লাইনিং-লিচৎকী ওইবা থবক-থৌরমশিং পাংথোকপা য়াবা হায়সিসু মহাক্কি হকনি ।

আটিকল ১৯ ঃ মীওই অমনা মহাক্কী অপাম-পামদা লেপ্পা অমদি ফোংদোকপা হায়বসি মহাক্কি হকনি । অতোপ্পনা খুৎ থিংজন্দনা মশাগী অপাম-পামদা লেপ্পা হায়বসিসু হক অসিদা য়াউরে । মীওই খুদিংমক পনখৈ নৈতনা মেদিয়াগী

মতেং লৌদুনা পাউ অমদি লৌশিংগী মচাক থিবা নত্রগা য়েখ্বোকপা হায়বসিসু মীওইবগী হকনি ।

আটিকল ২০ ঃ (১) মীওই খুদিংমক শক্তি ওইনা পুনবা, লুপ শেম্বা হায়বসি মখোয়গী হকনি । (২) কনাগুম্বা অমত্তবু নমদুনা লুপ অমদা য়াউহনবা য়াদে । .

আটিকল ২১ ঃ (১) মীওই খুদিংমক মখোয় মখোয়গী লৈপাক্কি লৈঙাক-থৌদাং (গভর্নমেন্ট) হকথেংননা নত্রগা নিংতম্না খনগৎলবা মীহুৎ ওইনা শরুক য়াবা হায়বসি মহাক্কি হকনি । (২) মীওই খুদিংমক চপ মান্ননা লম অদুগী মীয়ামগী য়াইফ-থৌদাংদা (পব্লিক সার্ভিস) শরুক য়ামিন্নবা হায়বসি মখোয়গী হকনি । (৩) মীয়ামগী অপাম্বা, অনিংবনা লৈঙাকপগী থৌ পুরিবা (গর্ভনমেন্ট) অদুগী লিচৎ অদু লেপকদবনি । ব্রাফম অসি মতম মতমগী ওইনা মালেম চৎন-লোনচৎনা য়ারবা মওংগী ফোংনা নত্রগা অরোনবা ভোট শিজিন্নদুনা নিংতম্না পাংথোকপা মীখলনা লেপকদবনি ।

আটিকল ২২ঃ খুন্নাই অমগী মীশিংদা চন্নবা মীওই খুদিংমক খুন্নাই অদুগী অপুনবগী ওইবা চেকশিন-থৌরাং (সেসিয়েল সেক্যুরিটি) মহাক্কিসু হক লৈ । জাতিগী অমদি মালেমগী মতেংগা লোয়না অমদি লম অদুগী শেল-থুমগী, খুন্নাইগী (সেস্যিল) পাম্বে, মহৈ-মশিংগী অমসুং নাৎকি ওইবা পাম্বে কয়ানা মীওই অদুগী মশাগী শারেপ (পর্সোনেলিটি) তান্নবা হোৎনবা হায়বসি মীওই অদুগী হকনি ।

আটিকল ২৩ ঃ (১) থবক ফংদনা লৈবা হায়বসি থোক্তনবা মীওই খুদিংমক থবক তৌবা, খুদোংচাবা য়েংদুনা অপাম্বা অচুম্বা থবক খনবা হায়বসি মহাক্কি হকনি । (২) অমগা অমগা খেন্নবা থমদনা তৌরিবা থবক্কগী ফংফম থোকপা শেম্বুং ফংগদবনি । (৩) থবক তৌরিবা মীওই খুদিংক্ মশাগী অমদি মহাক্কি ইমুং মনুংগী মীওই খুদিংনা মীওইবগী ইজ্জৎ ঙাক্লা হিংনবগীদমক, করিগুম্বদা মথৌ-তারবদি, খুন্নাইগী ওইবা অপুনবা পাম্বেনা শৌগৎপীগদবনি । (৪) মশাগী খুদোংচাবশিং ঙাক্তুনা থমজনবগীদমক মীওই খুদিংমক শিনমিশিংগী লুপ (ত্রেদ য়ুনিয়ন) শেম্বা অমদি মদুদা য়াউবা য়াই ।

আটিকল ২৪ ঃ মরম চানা থবক শুবগী মতম অককননা থম্বা, মতম মতমগী মতুং ইন্না খুৎশুমন (পে) কক্তবা শুতি ফংবা, পোথাবা অমদি অশংবা মতমদা নুংঙাইথোক্ল মতম লেঞ্জবা হায়বসিসু হকনি ।

আটিকল ২৫ ঃ চাবা, শেৎপা, য়ুম, হকশেলগী চেকশিন-থৌরাং পুম্নমক অসিদা মী অমনা অমসুং মহাক্কি ইমুংনা মশক থোক্লা হিংবা হায়বসি হক অমনি ।

থবক ফংদবা, নাবা শোইনাইবা, লুখ্রা নত্রগা পাখ্রা ওইরবা, অহল ওইরবা অমদি হিংবদা চংদবা য়াদ্রবা মচাক কয়া ফংবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈরবা মী অদুদা মতেং পাংবা ফংহনবা হায়বসিসু হক অমনি । মমা ওইবা অমসুং মচাবু মতেং পপীগদবনি অমসুং অখন্নবা চেকশিল থৌরাং লৌখৎপীগদবনি । লুহোংলগা পোকপা অঙাং ওইরবসু লুহোংদনা পোকপা অঙাং ওইরবসু খুন্নাই অদুনা চপ মান্নবা মীৎয়েং মখাদা ঙাকপি-শেনবিগনি ।

আটিকল ২৬ ঃ (১) মীওই খুদিংমক মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি । য়ামদ্রবদা ইলিমেন্টরি অমদি হৌগংলকপা মতমদা লাইরিক তম্বদ্রা শেল তিংহন্দনা লেমনা লাইরিক তম্বগী খুদোংচাবা পীগদবনি । ইলিমেন্টরি থাক্ত লাইরিক তম্বা হায়বসি তৌদবা য়াদবা অমনি । টেক্নিকেল অমসুং প্রোফেসনেল ইদুকেসন অসি মীপুম তিংনা ফংহনগদবনি অমসুং হাইয়র ইদুকেসনবুসু মী অদুগী লৌশিংগী (মেরিট) মতুং ইন্না মীপুম খুদিংমক্তা ফংহনাগনি । (২) মহৈ মশিং তম্বা (ইদুকেসন) হায়বিসি মী অমগী লিচৎ (পর্সোনেলিটি) শাগৎপদা, মীওইবগী হকপু ইকায় খুম্না চৎপা মী অমা ওইহনবদা অমদি নিংতম্বা (ফ্রিদম) হায়বসিসু ইকায় খুম্নবা মী অমা ওইহনবদা পান্দমথমগদবনি । মসিনা ৱাখল চংখোন্না শনবা ঙম্বা, খাংহৈবা অমদি মরুপ মপাং ওইবগী মরী অমা লৈপাকশিংগী মরক্তা, মীওই কাংলুপশিংগী মরক্তা, তোঙানবা লাইনিং-লিচৎ চৎপা মীওই কাংলুপশিংগী মরক্তা অফবা মরী থম্বা ঙম্বা মীওই শেমগৎকদবনি । মখাতানা চত্থরকপা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মালেমদা শান্তি থম্ন বগী খোংথাংদা মতেং ওইগদবনি । (৩) মচাশিংনা করম্বা মহৈ-মশিং (ইদুকেসন) তমগদগে হায়বদু মাংজৌনবা লেপথোক্রবা হক মমা মপা ওইবশিংদা লৈ।

আটিকল ২৭ ঃ মীওই খুদিংমক মহাক্তা তিল্লুরিবা মীওই কাংলুপ অদুগী মপুং ওইবা ঈজৎ, আর্টি অমসুং কলচরেলগী পুন্সিরোলগী (কলচরেল লাইফ) থবক থৌরমশিং অদুবু খোয়দাজবা, য়াউশিনবা, মদুবু চাউখৎনবা হোৎনবা অমদি মদুগী মহৈ ফংবা হায়বসি হক অমনি । মীওই খুদিংমক মহাক মহাক্তা পুথোকচবা সাইন্টিফিক ওইবা, সাহিত্যগী ওইবা নত্রগা আর্টিকী ওইবা পোথোকশিং অদুগী ফজবা লিচৎ অমদি পোৎশক অদুবু ঙাকশেনবগী হক লৈ ।

আটিকল ২৮ঃ লাউথোক্রবা য়ান-ৱারোল (দিক্লারেসন) অসিদা য়াউরিবা মীওইবগী হকশিং অমদি ফংগদবা নিংতম্বশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোক্রবা মীওই খুদিংমক্তা মালেমদা নিয়ম অমা ওইনা থবক পায়খৎপগী হক লৈ ।